**30T ADMA**

# 2020

# ADVANCE MANIPURI

**Full Marks : 100**

**Pass Marks : 30**

**Time : Three hours**

***The figures in the margin indicate full marks for the questions.***

***All questions are compulsory.***

| | | |
|---|---|---|
| *Q. No. 1 (Ka to Tha) carries 1 mark each* | | 1×12 = 12 |
| *Q. No. 2 carries 6 marks each* | *(any two)* | 6×2 = 12 |
| *Q. No. 3 carries 2 marks each* | *(any four)* | 2×4 = 8 |
| *Q. No. 4 carries 6 marks each* | *(any one)* | 6×1 = 6 |
| *Q. No. 5 carries 4 marks each* | | 4×4 = 16 |
| *Q. No. 6 carries 2 marks each* | *(any four)* | 2×4 = 8 |
| *Q. No. 7 carries 4 marks each* | | 4×3 = 12 |
| *Q. No. 8 carries 4 marks each* | *(any three)* | 4×3 = 12 |
| *Q. No. 9 carries 2 marks each* | *(any four)* | 2×4 = 8 |
| *Q. No. 10 carries 6 marks each* | *(any one)* | 6×1 = 6 |
| | | Total = 100 |

১। য়াম্না তেন্না খুমু ঃ ১×১২=১২

(ক) "ইমাখোয়গী নচাগুম্বনি মখোয়দি ঐখোয়গীদমক্ থৱায় কৎলি"— 'মখোয়দি' হায়রিবসি কনানো?

(খ) "মণিপুরী লোকসাহিত্য" হায়বা ৱারেংসি কনানা ইবনো?

(গ) ভারতবর্ষ অসি করিদা য়ুম্ফম ওইবা লৈবাকনো?

(ঘ) মাধবীনা কারিগীদমক ধীরেনদা নুংশিবা উৎখিদবনো?

(ঙ) থৌজান হায়রগা করিবু খঙনৈ?

(চ) 'ঐবু ইমানা লৌবা লাকইবসে চৎলুচো হায়রিবরা?' কনানা হায়রিবা ৱাফমনো?

(ছ) "তুরেল ময়ায়দা হেক নমশিনববু।" কনানা হায়খিবা ৱাফমনো?

(জ) করম্বা চহীদা খ্রিষ্টান মিশনারিশিংনা অসমীয়া লোনদা 'অরুণোদয়' কৌবা আসামগী অহানবা পাউ-চে ফোঙখি।

(ঝ) সনামহীবু কনগে হায়দুনা ইখিবা পুয়া অদুগী মমিং করি কৌই?

(ঞ) ডা. লৈরেনমা ফোঙখিবা মেগাজিন অদুগী মমিং করি কৌই?

(ট) তমপা কোনৌ অৱাংবী

সোংলেল অথাপ্পী।

খোইমোম লাইমরেহৌবী,
করম্বা মতমগী শৈরেংনো?

(ঠ) 'মণিপুরী সাহিত্য' গী ভক্তিকাল হায়না তোঙান্না পুথোকপা তারবদি করম্বা নিংথৌন্ডিগী হাক্তক্তা ওইগনি?

২। ৱাহং অনীখক্কী পাউখুম পীয়ু ঃ ৬×২=১২

(ক) "কয়াদা ৱাংখবা মৈতৈ লোকসাহিত্য।"

মৈতৈ লোকসাহিত্যনা ৱাংবগী মরম পীদুনা ইয়ু।

(খ) 'অসমীয়া সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতিগী যাদুকরনি জ্যোতি প্রসাদ আগরৱালা।'

জ্যোতিপ্রসাদ আগরৱালা না যাদুকর অমা ওইরব্বগী মরমশিংদু ইয়ু।

(গ) "হন্দক্তি অমুক হল্লক্লগনু, নপোৎনচৈ পুন্নমকসু পুখ্রো।"

কনানা করি মরমদগী হায়খিবা ৱাফমনো? শন্দোক্লা ইয়ু।

৩। ৱাহং মরিখক্কী পাউখুম পীয়ু ঃ ২×৪=৮

(ক) লৈতাই, নোংদাই, লৈনেৎ জগোই কনানা কদাইদা শাখি ?

(খ) "নুংশিবা হায়বা অসি পোৎশক অমত্তদা তুংদুনা লৈরবদি মখুম খুমজিনবা উপুগী মনুংদা ফাজিনবগুম্না য়াম্না অৱাবগী মশকনি।"
ৱাফম অসি কনানা করি মরমদগী হায়খিবনো?

(গ) জ্যোতিপ্রসাদ আগরৱালাগী মমাগী মমিং করি কৌই? মপানা করম্বা মীশক ওইরম্মী?

(ঘ) মিনুংশি হায়বা পুকচেল অসিদা চেনগদবা গুণ অনীখক্ ইয়ু।

(ঙ) "ধর্ম্মদা যুম্ফম ওইরগা বিজ্ঞানগী জগৎ শেমগৎকদবনি।"

ৱাফম অসিনা করি তাকপগে হায়বদু ইয়ু।

৪। ৱাহং অমগী পাউখুম পীয়ু ঃ ৬×১=৬

(ক) "ঐগী থাহৌদ্রবা হৈতুপ লালু" হায়বা ৱারীমচা অসিগী মিংথোল অসি চানবরা চানদবরা হায়বদু শন্নপনা ইয়ু।

(খ) "ইলিশা অমগী মহাও" হায়বা ৱারীমচা অসিদা ইলিশা চাবা ফঙহৌদবগী মরমশিং দু নশাগী লোন্দা ইয়ু।

৫। শন্না ৱাহৈ ৪/৫ গী মনুংদা পাউখুম পীয়ু ঃ ৪×৪=১৬

(ক) অসমীয়াগী খুন্নুংঈশৈ মরিখক্কী মমিং ইয়ু।

(খ) করিগীদমক্তা মাধবীনা, লম্বোইবীগী শক্তম লৌদুনা লৈখিবনো হায়বদুশন্নপনা ইয়ু।

(গ) 'নিপা খুদিং লালোয়নিঃ লৈবাক্কী লননি লৈপাক্কী নাপন্নি। নিপা লৈবাক্কি। লৈবাক নিপানি।'

"নিপা খুদিং লালোয়নি" হায়বগী মরম করিগীনো? শন্না ইয়ু।

(ঘ) "মসি খল্লু খল্লুরগা থাঙ্গৈশেং নমক তাইবংপানবা মপুগী আশীর্ব্বাদকী মত্তং ওইনা ঐখোয় মীওইবদা পীনরিরল্লমা মমল নাইদ্রবা লননি।"

মমল নাইদ্রবা লন অসিগী মরমদা শন্নপনা ইয়ু।

৬। ম্বাহং মরিখক্কী মরমদা পাউখুম পীয়ু ঃ ২×৪=৮

(ক) "হোজিক্তা লাঞ্জাউ অমাথোকখিবদো তম্ফা মমাদি ভাব তাহৌদ্রমাল্লে।"

থোকাখিবা লাঞ্জতাউ অদু করিনো হায়বদু ইয়ু।

(খ) "মিৎতা হায়ঙমদনা অব্বাবগী পি শিন্থরকই।"

কনানা করিগীদমক পি শিন্থরিবনো?

(গ) "নঙ লান তৈরি হায়বা তাদরা?"

কনাগা কনাগা শোক্লাবা লাননো?

(ঘ) "জোনাকী যুগ" হায়রগা করিবু খঙনৈ ?

(ঙ) "অৱা নুংঙাই অনীমক্কী মরূপ্পি লমজিংবনি অমসুং শ্রদ্ধাগী মশকনি।"

অৱা নুংঙাই অনীমক্কী মরূপ্পি হায়রিবসনা কনা কনাবু খঙহল্লি?

৭। ৱাহৈপরেং ৪/৫ গী মনুংদা শন্না পাউখুম পীয়ু ঃ 4×৩=১২

(ক) "জ্যোতিপ্রসাদ মায়কৈশুবা প্রতিভাগী পূক্লিং ঈথিলনা মশাবু করিগুম্বা অখন্নবা লৌফিম অমত্তংদা ফাজিন্দুনা থম্বা ঙল্লমদে।"— ৱাফম অমিগা মরীলৈননা ইয়ু।

(খ) "হৌজিক্কী সমাজ অসিদা ৱাহংঅমা তৎতনা থোরক্লি নুপিগা নুপাগা অধিকার চপ মান্নরবা যুগ অসিদা নুপিশিংনা সতীশাদুনা করিগী নুপাগী মখা পোল্লুগনি।"

ৱাফম অসি কদায় ফাওবা চুম্বগে হায়বদু নশাগী মোত ফোংদোকউ?

(গ) "কালিদাসকী প্রেমগী পৌরহিত্য সংস্কৃত সাহিত্য জগত্তা অমরোমদা কেগে অশৈ বা মোইরাং চেজিংবা মৈদিংগোলগী নুংশিবগী পৌরহিত্য মৈতৈ লোকসাহিত্য জগত্তা করি খেন্নৈ। খেন্নদে অমত্তনি।—

সংস্কৃত সাহিত্যগী নুংশিবা অমসুং মণিপুরী লোকসাহিত্যগী নুংশিবা অনিসি অমত্তনি হায়বগী মরম পীদুনা ইয়ু।

৮। অহুমদং খল্লগা শন্নপনা পাউখুম পীরম্মু ঃ ৪×৩=১২

(ক) কালাচাঁদ শাস্ত্রী মোত মতুংইন্না মণিপুরী সাহিত্যগী ময়ায় চনবা মতমগী শৈরেংগী লোন্দা পুদাগী মরমদা ইয়ু।

(খ) 'কবি লাউনবা' হায়বসিগী মরমদা শন্নপনা ইয়ু।

(গ) "লাইরিক হায়বা থীবা।" হায়রগা করিবু খঙনৈ? খুদাম অমদং পীরম্নু।

(ঘ) খুলং ঈশৈ কদাইবু
কৌবগে? খুদম পীয়ু।

৯। ৱাহং মরিখক্সী মরমদা পাউখুম ইরম্মু ঃ ২×৪=৮

(ক) মশা মশানাশৈরেং, ইদুনা হৌজিক ফাওবা ঈশৈ ওইনা শক্লবা নিংথৌ অনীগী মমিং ইয়ু।

(খ) মনিপুরদা, হৌজিক ফাওবা হিংদুনা লৈরিবা নাট্যমন্দির (Dramatic Hall) অনীগী মমিং ইয়ু।

(গ) অনীশুবা লাওগত মমাঙদা মৈতৈরোলগী শৈরেং, ৱারেং, মেগাজিন, পাউজেল চেনচিংবা থোক্লনব হোৎনখিবা মীওই অনীগী মমিং ইয়ু।

(ঘ) "পুরুমনুবী চেঙদাইবী
নখুৎ নামা তিংথোকউ
খুদোপ শিবিগে।
—করম্বা মতমগী শৈরেংনো?
ৱাফম অসি কনানা হায়খিবা ৱাফমনো অমদি।

(ঙ) মৈ থাবদা য়াওহৌদবা পুয়া অনীগী মমিং ইয়ু।

১০। (ক) হিন্দুধর্মগী ঈথিলনা মনিপুরী সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতিদা অওনবা লাকখিবা মশকশিং অদু তেনতক্লা ইয়ু। ৬

*নৎত্রগা*

(খ) অশম্বা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাসতা য়াত্তরিবা অরিবা মতমদা লৈরম্বা সাহিত্যগী মশকশিং অদুগী মরমদা শন্নপনা ইয়ু। ৬

———×———